অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকখ্রে

# ৱাই দল্লিয়ু সী-এলনা ব্লু হোগপু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএন এস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ) গী মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লব (এল এস সী) লংথবালনা শীন্দুনা লংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায়দা লৈবা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহানবা মেচতা য়ূম্থু ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা ব্লু হোগপু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ১৩-লংথবালগী জিলা পরিষদ মেম্বর এল রোসন, মণিপুর ক্রিকেটএসোসিএ-সন (এম সী এ) গী সেক্রেটরি এস প্রিয়ানন্দ, লংথবাল মন্ত্রিখোং নাওরেম লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান অহৈবম সুনন্দ অমসুং লংথবাল স্পোর্টিং ক্লবকী প্রসিদেন্ট কে ঐচ ইবোমচানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনরশিং অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা য়ূম্থু ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং ব্লু হোগ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু ব্লু হোগনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অদুগা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা বোল্লিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ব্লু হোগনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১১৪ লৌখি। ব্লু হোগকী সনাতোম্বনা বোল ৩০দা রন ৪২, লোকেশ্বরনা রন ১৩দা রন ২০ অমসুং সেমসন্না বোল ২৪দা রন ১৮ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী টি ঐচ কিষন অমসুং সুনিলনা ওভর ৪/৪ লংবদা ৱিকেট ২/২ অমসুং সুভাসচন্দ্রনা ওভট্টর ৩ লংবদা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা ওভর ১৯.১দা ৱিকেট ৫ খক তুরগা রন ১১৬ লৌদুনা মেচ অদু ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা ব্লু হোগপু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখি। ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী প্রফুলোমনিনা বোল ৩৯দা রন ৩৮, প্রকাসমনিনা বোল ১৮দা রন ২২ অমসুং কিষননা বোল ৯দা রন ১৩ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা ব্লু হোগকী ওজি অমদি সঞ্জিৎনা ওভর ৪/৪ লংবদা ৱিকেট ২ অমসুং সেনেটনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌখি। ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচ অদুদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালবু মায় পাকপদা চাউনা মতেং ওইখিবা টি ঐচ কিষননা ৱিকেট ২ অমদি বোল ৯দা রন ১৩ লৌবা ঙমদুনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা হয়েং অহানবা গ্রাউন্দদা সাইক্লোন অমসুং এস এস য়ু, অনীশুবা গ্রাউন্দদা পি সী সী অমসুং কে আই ৱাই সী শান্নগনি হায়রি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল এস ঈ ৱাই ও টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯ লোইশিনখ্রে

# রিভাস্করনা মেন্স ওপনগী টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০(ঐচএন এস): সাউথ ইষ্ট য়ুথ ওর্গেনাইজেসন (এস ঈ ৱাই ও) অকাম্পাৎনা শীন্দুনা সেয়ো টেনিস কোর্ট অকাম্পাৎতা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল এস ঈ ৱাই ও টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মেন্স ওপনগী টাইটল রিভাস্করনা লৌখ্রে।

চহী ৪০ মথক্কী শান্নরোয় ২২, চহী ৫৫ মথক্কী শান্নরোয় ১২ অমসুং ওপন কাঙলূপ্তা শান্নরোয় ১৬ পূন্না শান্নরোয় ৫০না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল এস ঈ ৱাই ও টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা পি দল্লিয়ু দিগী মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বাজিৎ, সেয়োগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ রাজেন অমদি আই পি আর অমসুং আর দি পি আরগী দিরেক্টর ঐচ বালকৃষ্ণনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেন্স ওপনগী ফাইনেল মেচতা রিভাস্করনা কে ঐচ ইন্দ্রকুমারবু, চহী ৪০ মথক্কী দবলদা টি ঐচ তুলেশ্বর অমদি ইবোহলগী জুরানা কাংজাম্বা অমদি রাকেসকী জুরাবু, চহী ৫৫ মথক্কী দবলসতা এন দিলিপ অমদি সী ঐচ লৈশেমম্নাগী জুরানা এন তোম্বা অমদি এস রঞ্জিৎকী জুরাবু মায়থীবা পীরল্লগা টাইটল লৌখিবনি। মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোয়শিংদা মনা মথুমশিংসু য়েন্থোকখি।

# য়ঙ লেজেন্দস লীগ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএন এস)ঃ লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা ৮ ৱান ফাউন্দেসন অমদি ফুটবোল সোলুসন অনীনা তৌবুল য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (টিৱাই দি এ) এফ সীগা খূৎশম্নদুনা বিষ্ণুপুরগী তৌবুল গ্রাউন্দদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

য়ঙ লেজেন্দস লীগ অসি হৌদোকপগী মাঙওননা পাউমী-শিংগা উনবা মীফম অমা টাইদা লাইব্রেরি হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ৮ ৱান ফাউন্দেসনগী কন্সলটেন্ট প্রখার সোনি অমদি ফুটবোল সোলুসনগী বিক্রম রাজকুমার, ভেটৰান ফুটবোল্লর বালে তখেল, ইন্দিয়াগী হান্নগী ফুটবোল প্লেয়র সোরাইসম ধরমজিৎ, হোকি ওলিম্পিয়ন অনুরধা থোকচোম, টি ৱাই দি এগী প্রসিদেন্ট ধিরেন থোকচোম অমদি টি ৱাই দি এগী সেক্রেটরি প্রেমজিৎসু শরুক য়াখি।

লীগ অসি অন্দর-৬, অন্দর-৮ অমদি অন্দর-১০ হায়না কেটেগোরি অহুম থোক্ল খাইদোক্তুনা থা ৪দগী ৫ ফাওবা চত্থগনি। য়ঙ লেজেন্দস লীগ অসি লোঞ্চ তৌবগী মরুওইবা পান্দমদি পিক্লিবা অঙাংশিংবু গ্রাসরুট লেভেলদগী নীংথিনা তাকপী তম্বীদুনা মালেমগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবা মসিদগী হেন্না মরুওইবদি অঙাংশিং অসিগী ফিজিকেল এক্টিভিটিগী চাং হেনগৎহন্দুনা অফবা লম্বীদা পুরক্নবা হোৎনবনি হায়না বিক্রম রাজকুমারনা ফোঙদোকখি।

লীগ অসি থাংজ অমদি নোংমাইজিং খুদিংগী স্কুল তন্নিবা মহৈরোয়শিংনা শান্নবা য়াগনি।

মঙাশুবা এ এম এফ আই এম পি এ কপ ২০১৯ হৌদোকখ্রে

# দিরেক্টর এফ সী, এ এম এম আই কে-বি এফ সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএন এস)ঃ ওল মণিপুর ফিল্ম মেকরস এন্দ প্রদ্যুসর এসোসিএসন (অমফিম্পা) না শীন্দুনা পোরোম্পাৎ টি ভি টাৱর মনাক্তা লৈবা নেসু গ্রাউন্দদা ঙসি অয়ূক পুং ১০.৩০ তাবদা মঙাশুবা এ এম এফ আই এম পি এ কপ ২০১৯ হৌদোকখ্রে। অহানবা নুমিৎকী লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা দিরেক্টর এফ সী অমসুং এ এম এম আই কে-বি এফ সী মায় পাকখ্রে।

টিম ১০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথো-ক্লিবা মঙাশুবা এ এম এফ আই এম পি এ কপ ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা অরুন ইন টরপ্রাইজেসকী প্রোপাইটরসু ওইরিবা নেরোকা এফ সীগী প্রসিদেন্ট থাংজম অরুনকুমার, এফ পি এ আইগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা হান্নগী ইন্দিয়ন ফুটবোল টিমগী কেপ্তেন টি রেনেদি, আই এস টি ভি নেটৱর্ককী প্রসিদেন্ট টি প্রফুলো, সোসল ৱার্কর অংথা তোম্বী, নেসুগী প্রসিদেন্ট কোন্সম নরেন্দ্রজিৎ, অমফিম্পাগী প্রসিদেন্ট আর কে চন্দ্রকুমার অমসুং ফিল্ম ফোর মণিপুরগী চ্যেরমেন এস মঙ্গোলজাওনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, স্পিসিয়েল গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনরশিং, চীফ হোষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

অমফিম্পা কপ অসিগী লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী এ এম এম আই কে-সী এফ সী অমসুং দিরেক্টর এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দিরেক্টর এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অনীশুবা হাফ লোইশিল্লকপদা দিরেক্টর এফ সীনা এ এম এম আই কে-সী এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী এক্টর এফ সী অমসুং এ এম এম আই কে-বি এফ সী শান্নখিবা মেচ অদু এ এম এম আই কে-বি এফ সীনা এক্টর এফ সীবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখি।

# খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুর ১২শুবা পোজিসন তাহৌখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএন এস)ঃ মহারাষ্ট্রগী পুনেদা লৈবা বালেৱাদি স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা থা অসিগী ২০ ফাওবা পাঙথোকখিবা অনীশুবা এদিসন খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০১৯ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুর গোল্ড ৯, সিলভর ৯ অমদি ব্রোঞ্জ ১৪ পূন্না মেদল ৩২ ফংদুনা ১২শুবা পোজিসন তাহৌরে।

ষ্টেট কয়ানা শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়াদা চাংদম্নদুনা পাঙথোকখিবা অনীশুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০১৯ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর প্রকাস জাবেদকর, স্পোর্টস এন্দ য়ুথস ৱেলফ্যেরগী মিনিষ্টর বিদোন টোদে, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল দিরেক্টর নিলম কাপুর অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী দেপ্যুটি দিরেক্টর জেনরেল সন্দিপ প্রধাননা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

অনীশুবা কে আই ৱাই জি ২০১৯গী টিম চেম্পিয়ন মহারাষ্ট্র, টিম রন্নর্স-অপ হরিয়ানা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন দেল্লিনা তাখি।

খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস অসিগী লোইশিনবা নুমিৎকী কিক বোক্সিং মশান্নদা তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিশিংদা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অদুদি এস হরিদাস, এ প্রেম, আর কে রোনিস, সয়দ রুক্সানা, জি দ্বিজমনি শর্ম্মনি। ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি এস তোম্পোক, ও প্রেমজিৎ অমসুং এল জোনসননি।

**2nd K I Y G 2019 - Medal Tally**

| Rank | State | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Maharastra | 85 | 61 | 81 | 227 |
| 2. | Haryana | 62 | 56 | 60 | 178 |
| 3. | Delhi | 48 | 37 | 51 | 136 |
| 4. | Karnataka | 30 | 28 | 19 | 77 |
| 5. | Tamil Nadu | 27 | 36 | 25 | 88 |
| 6. | Uttar Pradesh | 23 | 25 | 40 | 88 |
| 7. | Punjab | 23 | 19 | 30 | 72 |
| 8. | Gujarat | 15 | 9 | 15 | 39 |
| 9. | West Bengal | 13 | 15 | 16 | 44 |
| 10. | Kerla | 12 | 16 | 30 | 58 |
| 11. | Rajasthan | 10 | 16 | 18 | 44 |
| 12. | Manipur | 9 | 9 | 14 | 32 |
| 13. | M. P. | 8 | 8 | 15 | 31 |
| 14. | Telangana | 5 | 8 | 9 | 22 |
| 15. | A.P. | 5 | 6 | 9 | 20 |
| 16. | Mizoram | 4 | 4 | 5 | 13 |
| 17. | Chandigarh | 3 | 7 | 9 | 19 |
| 18. | Odisha | 3 | 6 | 6 | 15 |
| 19. | Jharkhand | 3 | 6 | 1 | 10 |
| 20. | J & M | 3 | 4 | 1 | 8 |
| 21. | Uttarakhand | 3 | 2 | 10 | 15 |
| 22. | Assam | 3 | 2 | 5 | 10 |
| 23. | H.P. | 3 | 1 | 7 | 11 |
| 24. | Chhattisgarh | 2 | 4 | 4 | 10 |
| 25. | Tripura | 1 | 3 | 2 | 6 |
| 26. | Goa | 0 | 8 | 9 | 17 |
| 27. | Arunachal | 0 | 6 | 8 | 14 |
| 28. | Bihar | 0 | 1 | 4 | 5 |
| 29. | Daman & Diu | 0 | 0 | 3 | 3 |
| 30. | A & N Islands | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 31. | Dadra & Nagar | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 32. | Lakshadweep | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 33. | Meghalaya | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 34. | Nagaland | 0 | 0 | 0 | 0 |

# ফেল এফ সী অমসুং পি এফ সী মায় পাকখ্রে, মেচ অনীনা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচ এন এস) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উচেকোন তাখোক মপালদা লৈবা দি পাওনা মেমোরিএল ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চত্থরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল মোইরাংথেম কুঞ্জো সিংহ মেমোরিএল ফোর মেন সোকর টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা ফেল এফ সী কোংবা অমসুং পি এফ সী কক্ৱা মায় পাকখ্রে। অদুগা মেচ অনীনা দ্রো চৎখ্রে।

টিম ৪৩না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ১৪ খাইদোক্তুনা চত্থরিবা ৩শুবা ষ্টেট লেভেল মোইরাংথেক কুঞ্জো সিংহ মেমোরিএল ফোর মেন সোকর টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ২২শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ ঐচকী য়ঙ বোইজ উৎলৌ অমসুং এফ দি এস শিংজমৈ শান্নখিবা মেচ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। য়ঙ বোইজকী পাঞ্জল অদু দিঙ্কুনা মেচকী ২১শুবা অমদি এফ দি এসকী পাঞ্জল অদুনা ইনাওনা মেচকী ২৮শুবা মিনটতা চনখি। ২৩শুবা মেচতা ফেল এফ সীনা রেহন এফ সীবু ৩-০দা, ২৪শুবা মেচতা পি এফ সীনা বোলেরো এফ সীবু ৩-০দা অমদি ২৫শুবা মেচতা কৈরাও এফ সী অমদি আর দি বি পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি।



HL-B/4932/20,21,23

# থৌদাম বিরেন্না লৈখিদবদা এল এস কে এনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএন এস) ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাঙ্গোইদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহী কাং এসোসিএসন (এল এস কে এ) ৱাঙ্গোইগী ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুবিরম্বা লোয়ননা লমদম অসিদা কাং মশান্না অসিবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিরম্বা থৌদাম বিরেন্না ইখঙ খঙহৌদনা থা অসিগী ১৫দা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা মীফমনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না লাইনীংথৌ সনামহী কাং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি টি ঐচ শ্যামকিশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# মেনেজরশিংগী মীটিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৫শুবা দি এস এ ট্রোফি ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মেনেজরশিংগী মীটিং থা অসিগী ২২দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংগী মেনেজরশিংগী মীটিং অসিদা হান্না লেপখিবা মতম অমদি মফমদা মেনেজরশিংনা মতম চানা লাক্নবা দি এস এ ককচীংগী জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলোনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

HL-P/2433/8-31-2,4 feb (alt)




HL-P/2795/22Dec.to29 jan.




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com